# “কায়রবা ঋতুগী তান্থা”

## EPISODE-28

**(Assessing the Climate induced loss)**

*Script :*

**Dr. Irungbam Jamuna Devi**

**CHARACTERS :**

নুপাঃ- (১) খন্থা - লিটরেচরগী ওজা (২) পারী - খন্থগী মচানুপা
(৩) মোরাম্বা-ইনভাইরোন্টমেন্টেল সাইন্টিষ্ট
নুপীঃ- (১) শখিতোম্বী - খন্থগী নুপী
(২) চীংলেম্বী - খন্থগী মচানুপী

(মতম:- খন্থগী য়ুম, মতম: অয়ুক, নুংশিবা উচেক-ৰায়াগী মখোল)

খন্থা :- (শৈরেং পাবা) হাদা পলেম নুংশিবী, পলেম নঙবু মীয়োক মীচান ফজবী, নপারি নমোম নাওকোল্লিবী, অশংবা ফীজোলনা লৈতেংলিবী, নীংথিবা পুন্থগী তুংনফম, হাদা পলেম নুংশিবী, অৱাবতনা নশরুক ওইরিবী, ৰাই কৌবদা হায়দবী, নপারী নমোম চাওরক্লে, হরাও মীনোক তল্লোনে, হাদা পলেম নুংশিবী...।

শখিতোম্বী :- ৰা ফজৈ মোয় বাবাগী শৈরেং ফজৈ, তাবগী পেনবা নাইদে, ফজৈবো ওন্থোক্লা ফজখরে (করেম্লনা ঙাংবা)।

খন্থা :- (হরাওবা) অওইবমক্কী ফজবরা মামা, অমুক্তসু পারক্কে তাগেরা।

শখিতোম্বী :- য়ারে য়ারে পাবীরকঅনু ওকচরে, মোয়বাবাগী শৈরেং তাদুনা লৈনবা মতম ঐঙোন্দা লৈজদে, চাকপু থোংগদরা ফীবু সুগদরা কৈথেলবু কাগদরা স্বর হোন্নবা মতম ফাওবা লৈজদরে ঐখোয়দি।

খন্থা :- (শাওগৎলকপা) ওহ ! নঙগীসি ঐনা থৱায় য়াওনা ইজবা ঐগী শৈরেংসি তাগেরা হায়রুবগীনিনে নঙনা ঙাংলিবা ময়ামসে, নচানুপা পাখং অমগা নচানুপী লৈশাবী অমগা চাওথোক চাওনা লৈরিবদু তৌহনবা য়াদবরো থবকশিংদো, নঙ নুংঙাইনা পোত্থাদুনা লৈথোকউনা নচাশিংদো নঙনা থৌদি থৌদাদনা।

শখিতোম্বী :- হো থৌদারসু মপা লৌবনিনা ঐনা হায়বা ৰাগা অমতা থৌশাবীদে, মনাদা হাপ্পীবগা নৎতে, নোং ফুং ঙানবগা নচানুপাদুনা ফিটনেস সেন্তর চৎলিবনি হায়দুনা চৎখ্রে, নচানুপীনা জগোই তম্বা চৎখ্রে, মোয়বাবানা নোং ফুং ঙানবগা শৈরেং ইরিবনি হায়দুনা চে কলম পায়দুনা অদুম লৈখরে কনাদনো ঐনা ইতেং পাংবীয়ু হায়রুদোইসে।

খন্বা :- ঐনে শৈরেং ইবগসে লোয়না লোইশিনজরগে, চাক্তু ঐ থোংঙু হায়বরো, ফৈ ফৈ থোংগে থোংগে, সিদগীদি ইমুংগী কুপনোম পুন্নমক ঐ লোয়না তৌজরগে, সি ওইরদি য়ারবা নৎতরো নঙ, করি এঞ্জাং থোংজৌগে সনা য়াথং তাওথবীরকও।

শখিতোন্বী :- (হেন্না শাওগৎলকপা) মোয়বাবাগীসে ঐবু করেম্নবিরিবা নৎতরো, করেম্নবীয়ু করেম্নবীয়ু, য়াই য়াই কৈসু কাইদে তৌবীয়ু তৌবীয়ু অপান্বা পুন্নমক তৌবিয়ু, ঐখোয়না থিংজবগী ইতিকসু লৈজদে।

পারী :- (চংঙকপা) ইমা ঐখোয় চাক লোয়রবো, চাক লোইরবরো হায়বা করি এঞ্জাং থোংগে।

শখিতোন্বী :- চাক্কা অমতা থোংদ্রি, চাক্তো নপানা থোংঙনি হায়বনি অদুনা এঞ্জাংগদু নপাদা ওইনা হংঙো, ঐঙোন্দগা অমতা হংবীরক্লনু ঙসিদগী।

খন্বা :- থোংগে চাক থোংববু কয়াম ৰাবা পোৎনো, হায় পারী শে লুপা ৫০০সি পুখো, ঙা লৈরুচো ঙা থোংবদুম চাথোকসি।

পারী :- অস ! হৌজিকপু চাক অসুক লাল্লকানসিদা ঙা লৈবা অমুক চৎলুচো হায়রিসিবো, ঐ ঙম্মোইকো ঙা লৈবা চৎপগা অমতা, ঐ চাক্কা অমতা চাজররোই, ঐ চৎলে ইমাগা বাবাগা চাক্তু থোংলগা হাওনা অদুম চাজহৌরো (চৎখিবা)।

শখিতোন্বী :- হায় ঙাইখোনে নঙবো, পারী ঙাইখো হায়বনে, ... পারী... ফরৈনি নচানুপাসে চৎখ্রেদনা কৌবগা তাদখৈ।

খন্বা :- শখিতোন্বী নঙনা ঐবু উশিৎতবসে ফজনা উশিৎতবজাৎনিকো, নঙ... নঙ... ঙসি নঙ মোরাশিনা নমায়দুদা থোক থাজিনলকঅদি... নঙ।

শখিতোন্বী :- (চোংশিনবা) সেনে থাবিরোনে সে... সে... থারো হায়বা... হুম ঙমসু ঙল্লোইদবদা তৌজশারিসে।

চীংলেন্বী :- ইমা... বাবা.... কৈনো তৌরিদুবো অঙাং মচা খৎনবদৌনা, নুমীৎ চুপ্পগী য়ৌ য়া য়ৌ য়া ঙহাক্তা ইংনা চীক্লা লৈবা ফংদে, ঐ য়ুমদগা হল্লক্কদবা তল্লজাৎনি বাবাগা ইমাগগী মওংসিদা।

খন্বা :- নঙসু অমুক হৌরবরা হেক য়ৌরকপগা, নমাগা চপ হেক মান্নে, অদুবুদি নমানা পোকপনিদনা, ঙাংদুনা লৈদৌ শরুক চাকখুমদা প্রপ প্রপ চঙলগা চাক্তু থোংদোক্লুরো ইচাদি মরম মোকপনি।

চীংলেন্বী :- কৈনো হায়রিসিবো হৌজিক ফাওবা চাক থোংদ্রিবরো ঐখোয়গী, ঐদি জগোই তন্ফমদগী চাক লামন্দুনা প্রপ প্রপ চাক চারুরগে হায়দুনা লাকইসিগা, কৈনো ইমা হৌজিক ফাওবা চাক থোংদ্রি হায়রিসিবো কৈদৌরগে।

শখিতোন্বী :- ইমাগী চীংলেন্বী ! ইমা খঙদেকো ঙসিগী চাক্কী মরমদা, নপাদা হংঙু ঙসিদগী নপানা চাক থোংলনি হায়বনি।

চীংলেন্বী :- কৈনো হায়রিসিবো, ঐখোয় বাবানা কমায় চাক থোংদোইবা, অসুক কুইবসে নোংমতসু বাবানা চাক থোংবা য়াওখিদ্রি, চাক থোংবদি লায়রদনা চা গ্লাস অমফাওবা বাবানা লোনবা উজদ্রি। ঙসিদি ঐখোয় ইমুংসে চরা হেনবা তারবরা তৌরিশিবো।

খন্বা :- ঐনা ঙসি শৈরেং অমখক্তং পুক্লিং চংনা হয়েং কবি ময়াম শৈরেং শৈদিন্নবদা পাথোকচগে হায়দুনা তৌরুবসিদি, ইমুং ৱাথোক ওইনবা তারবকো, ফৈ ফৈ শখিতোন্বী নঙ সিদগীদি খঙগনিদনা নঙ; ঙসি কৌবা কোরৌ নোংজাসিদগী নঙনা হায়বা ৱাফম অমতা য়াবরা য়েংঙু ঐনা, ঐসু চৎলগে নোয় নমা নচানা থোকপা চাক থোংগেরা থোংঙোইরা, চাগেরা চারোইরা তৌজহৌরো... (ফোন রিং লাকপা) কনানোনে তঞ্জাসিদা ফোন অমুক তৌশিনলকইসিবো, খোইদৌনা খোইদৌ শাওগৎপনে ফোনগসে লোয়না থুগাইদুনা তোক্কনি ঙসিনে।

শখিতোন্বী :- হো শাওরগনে পোৎ চৈদা তাইনবগদুদি তৌবী লাকপীনু, ফোন্দু হান্না অমুক্তা রিসিপ্তু তৌবীয়ু, কনা খংনি অথু-অকায়গী পাওগা ওইরল্লবদি।

খন্বা :- হল্লো... হল্লো... কনা... কনা হংবনো করি ওইরবনো (খরা শাওরপ)।

মোরান্বা :- আ সিবু পাবুং খন্বা হোয়গী ওইবিরবরা?

খন্বা :- ফোন তৌবীরকইসিবো কনানো, ইবুংঙোনা হংবীরকইবা খন্বা হায়রিসিবু করন্বা খন্বনোনে।

মোরান্বা :- ঐ মোরান্বনি, ঐন হংজরিবা খন্বা হায়রিসি মণিপুরি লিটরেচরগী এসোসিয়েট প্রোফেসার ওইবা মাইবম খন্ববুনি।

খন্বা :- নঙনা হংলিবা খন্বদুবুদি ঐনি, অদো ঐদি ইবুংঙোবুদি খঙজদে, ইবুংঙোগী মীংদু হৌজিক হায়খিবদু মোরান্বা হায়বনিকো, ইবুংঙোবু কনা ওইবীরবনো।

মোরান্বা :- অহোয় মোরান্বা হায়বনি, ঐ মতম অমগী পাবুংগা য়াম্না লুনা তিনরম্বা ত্রিপুরাদগী চাওরেল হায়বদুগী মচানুপানি, ঐ হৌজিক দিল্লিদা ইনভাইরোন্টমেন্টেল সাইন্টিষ্ট ওইনা লৈজরী।

খন্বা :- হায়মা নঙবু ইতাও চাওরেলগী মচানুপা ওইরে, ইচা সাইন্টিষ্ট ওইরবা, নুংঙাইরেদা পাওসি তাবদা দিল্লিগী করম্বা ইনষ্টিট্যুটতনোনে নঙনা সাইন্টিষ্ট ওইনা লৈরিবো?

মোরান্বা :- নেসনেল ইনভাইরোন্টমেন্টেল সাইন্স একাদেমী (নেসা) দনি পাবুং, ঙসি পাবুংগা ৱারী শান্নবা ফংজবসে য়াম্না নুংঙাইজৈ।

খন্বা :- নখোয় বাবাদো নুংশিবনিদা উনদবা কুইখরে, মৰা মপাওসু তাখিদবা কুইরে, কমদৌরি নপাদুবো?

মোরান্বা :- (নুংঙাইতনা হায়বা) ঐখোয় বাবাদি মমাং চহিদা লৈখিদরে।

খন্বা :- (ঙক্লা হায়বা) করিনো হায়রিসিবো, ঐঙোন্দা নখোয়দি করিগী পাওগা অমতা তাক্লকখিদবনো, নাবা য়েকপগী পাওসু অমতা তাহৌদে ওন্থোক্লা নীংঙমহৌদেদকো।

মোরান্বা :- ঐখোয় বাবাদো খুদক্তা বি.পি. ষ্ট্রোক তৌদুনা লৈখিদবনি, অথু-অকায় ওইবদুদা মেন মান অমতা তাহৌদরে ৰারৌবীগনু পাবুং।

খন্বা :- মীওইবগী পুন্সিবু কনানা তম্বা ঙমগনি, অহান-অকোনগী ৰাতনি ঐখোয় পুন্নমক নোংমদি শোয়দনা অশিবগী খয়াৎতা তাগদৌরিবনি অদো ইচানা ঙসি ইপাদা ফোন তৌরকপবু করি হায়নিংবা লৈগে, চীংনবা লৈতনা হায়য়ু।

মোরান্বা :- ঐ ইম্ফালদা মতম খরা লৈদুনা মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা মহৌশাগী ফিভমগী মরমদা খরদং থীজিননিংঙি অদুনা পাবুংনা ঐগী ইতেং খরদং পাংবীয়ু হায়জগে তৌবনি।

খন্বা :- অদুগী ওইরে, ইপা লৈরিসিদি ইপাগীদা লৈদুনা ননীং তৌনা নঙনা খঙনিংবা থীজিননীংবা পুন্নমক থীজিনবা য়াগনিকো ইপানা হেক ঙল্লিবমখৈ নঙগী নতেং পাংগনি।

মোরান্বা :- অদুদি পাবুং য়াম নুংঙাইজরে, নোংমা নিনিসিগী মনুংদা ঐ পাবুঙগী নাক্তা লাক্লবা তৌজরগে, ফোন থমজরগে পাবুং (ফোন থমখিবা)।

খন্বা :- (মথন্তা শোঞ্জবা) নুংশিবনিদা ইতাও চাওরেল, নঙসু তাইবংপানসিদা লৈনিংদ্রদুনা চৎলবোইরে।

চীংলেন্বী :- বাবা ! বাবাগা হৌজিক ফোনদা ৰারী শান্নখিবা মীদুবু মোরান্বা হায়বা নৎতরা?

খন্বা :- উম মানিনে নঙবু হান্না খঙবরো?

চীংলেন্বী :- খঙদেদা, মমীংদি য়াম্না তাখরে মাদি হৌজিক ভারতকী য়াম্না মমীং চখৎলক্লিবা সাইন্টিষ্টশিংগী মনুংদা অমা ওইরবনি।

শখিতোন্বী :- মোরান্বা হায়দুনা করি হায়রকইনো মোয়বাবা?

খন্বা :- মা ঐখোয়গীসিদা মতম খরগী ওইনা লাক্কনি হায়রকই।

চীংলেন্বী :- এ ! অদুদি য়াম্না ফৈয়ে বাবা, লৈবাক্কী শক্লাইরবা মীওই অমনা ঐখোয়গীদা লাকপা হায়বসে ঐখোয়গীসু চাওথোকচনিংঙাইহনি।

খম্বা :- উম অচুম্বনি, শখিতোম্বী! ঐখোয়গী মথক্কী অহাংবা কা অমা ফজনা অমুক্তা শেংদোকউ মোরাম্বনা লৈননবা।

-ম্যুজিক-

(মফম: ইয়ারপোর্ট, মতম: অয়ুক পুং ৯মুক তারকপা মতম, ফ্লাইট লেন্দিং তৌরকপগী মখোল, মীয়াম লাংবগী খোঞ্জেল)

পারী :- চীংলেম্বী ! ফ্লাইটতি য়ৌরক্লে, পেসেঞ্জর মথং-মথং কুমথনরক্লে, য়েংঙু আদা লাক্লিবা মীয়ামসিগী মরক্তা মোরাম্বগী মশক মানবা মীওই য়াওবরা য়েংঙু হায়বা, মাগী ফোটো নঙগী ফোনদুদা য়াওখিদাই অমুক্তা য়েংঙু হায়বনি নঙবো।

চীংলেম্বী :- দাদা ! সে দাদাসু অমুক্তা মুন্না য়েংঙুনে ঙসাইদগী মথং-মথং থোক্লরক্লিবা মীয়ামসিগী মরক্তদি সার মোরাম্বা মানবা মীওই অমতা য়াওদে, সারদুবু লাক্ত্রজাৎলনে, ঐখোয় বাবানা হায়রকপা ফ্লাইট মতমদুবু ওন্নরবজাৎলা খঙদ্রেনে।

পারী :- হে আদগীসি মোরাম্বা মান্দরা, মাসু মী কোইথি থীরিবগুম তৌরিসে।

চীংলেম্বী :- কদায়... ওহ ! আদগী মরেপ ৰাংবা মশা পারপ তৌবা হকচাং মচুগী কোট লিৎপসি নৎতরা?

পারী :- উম মানি, সিদা য়াওরিবা ফোটোসিগদি য়াম্না মান্না উই, লাকও হেক্তা হংলসি।

চীংলেম্বী :- এক্সক্যুজ মি, সার করিনোমতা হংজগে।

মোরাম্বা :- আ করি হংবীগদবা ওইরবনো, হায়বীয়ু য়ানি।

পারী :- ঐখোয় মীওই অমখক ওকপা লাকচবনি,হান্না অমুক্তদি উনজদ্রিবা, সোমগী শকসিগা ঐওেখায়না ঙাইজরিবা মীওইসিগী ফোটোগদি চপ মান্নবা অদুনা হংজবনি।

মোরাম্বা :- অদোম্না ঙাইবিরিবা মীওইদুগী মীংবু করি কৌবগে করি লমদগী লাক্কদবা ওইরবনো।

চীংলেম্বী :- আ মোরাম্বা কোই, দিল্লিদগী লাক্কদবনি।

মোরাম্বা :- অদুদি শোম সার খম্বনা ঐবু ওক্কুনবা থাবিরকপা মীওইশিং ওইবিরবরা?

পারী :- অহোয়, ঐখোয় অদোম্না সার খম্বা হায়রিবা মীওই অদুগী মচানুপাগা মচানুপীগনি।

মোরাম্বা :- নাইস টু মিট য়ু, য়াম নুংঙাইজরে ঐসু মফমসিদা লাকপসে হন্দক্না অহানবা ওইবসিদা সারদা ওকপীরম্নবা ঐনা হায়জখিবনি, অদো মরুপহোয়গী মীংবু করি করি কৌবগে।

চীংলেম্বী :- ঐগীনা চীংলেম্বী, ঐগী ইবুংগী মীংনা পারী কৌই। সার, সারগী লগ্গেজদি কদোমদা।

মোরান্বা :- অসোমদা লৈরে, ঐ অমুক্তা লৌরুখিগে, নখোয় অনিনা ঐবু ওকপা লাকপীবসে য়াম্না নুংঙাইরে।

পারী :- সার ঐ সারগী পোৎশিংসে গাড়ীদা হাপকৎচরগে, গাড়ীদা কাখৎপিরো, ঐখোয় বাবানা সারবু খৌরাংনা ঙাইদুনা লৈরম্লগনি।

চীংলেন্বী :- লাকপীরো সার চৎলসি গাড়ীদা কাখৎপীরো, দাদা চৎলসি (গাড়ী থৌখিবা)।

পারী :- সার মোরম্বদি লৈবাক্কী মমীং লৈরবা ইনভাইরোন্টমেন্টালিষ্ট অমনি, সারনা ঐখোয়গী ইরমদম অসিদা হৌজিক হোংলক্লিবা মহৌশাগী ফীভম, অইং-অশাগী খলদা চাওনা অহোংবা অকায়বা থোকহনলক্লিবশিং অসিগী মরমদা থিজিনবীগনি হায়দুনা লাকপীরিবসি য়াম্না নুংঙাইজে (গাড়ী থৌনা থৌনা ঙাংবা)।

মোরান্বা :- পারী ! ঐঙোন্দা সার হায়গনু, ঐগা নঙগদি চহিসু লেঙ্গা ওইরমগদবা মাল্লি অদুনা মীং হেক্তা কৌনসি, ঙসিদগী ইবানি ফ্রেন্দ ওইরসি অদুগা চীংলেন্বী নঙদি ঐগী ইচলগুন্বীনি অদুনা দাদা কৌ।

চীংলেন্বী :- অহোয় সার, ইহে দাদা মোরান্বা, দাদানা মতম খরা ঐখোয়গীসিদা লৈরিঙৈদা মফম অসিগী উমং-ৱামং কয়াদা দাদানা সর্ভে ৱার্ক চৎপদুদা ঐসু খরা পুবীয়ুকো।

মোরান্বা :- ঐদি মফম অসিদা মীনৌনি, ঐদি মফম অসিগী লম্মীৎ তুমিৎ অমতা খঙবা নৎতে, পারীগা নঙগনা ঐনা চৎপা খুদিংমক্তা লমজীং লমতাকপীগদবনি।

পারী :- মোরান্বা নঙনা হন্দক ঐখোয়গীসিদা লাকপসিদি ঐখোয়দদি ওন্থোক্লা কান্নদৌরেহে (নোকপা)।

মোরান্বা :- করমহায়না কান্নগদৌরিবনো, ঐদি মতম খরদি নবানিদা অয়েৎপা ওইগদৌরিবনি, নখোয় অনি ঐবু মসিদা চৎপিখ্রদি ফখ্রনিদা খল্লক্কদৌরিবনি।

পারী :- মোরান্বা ঐখোয়দি ইরমদম অসিদা লৈজরবসু নোংমতা ইরমদম অসিগী মহৌশাগী ফজবা নীংথিবা চীংয়া তময়া লবুক লম্মাংশিংদসু চৎলুদে কদায়দা করি লৈরি থিজিল্লুদে অদুবু হৌজিক্তি নঙগী নতুং ইন্দুনা চৎলবদি মফম খুদিং উবা ফংলনি, মফমশিংদুগী মরমদা খরদংদা ওইরসু খঙবা ঙল্লগনি, মসিবু কান্নবা নৎত্রদি অমাংবনি হায়গদরা।

চীংলেন্বী :- দাদা মোরাম্বনা ঐখোয়গীসিদা লাকপিবসে ঐখোয়গীদি লাইবক য়াম ফবনি, য়ারদি দাদা নহাক মফমসিদা লৈবীদুনা ঐখোয়গী মাংথরক্লবা ইনভাইরোন্টমেন্ট অসি কনবদা থৌদাং কয়া লৌবীয়ু।

মোরান্বা :- হৌজিক মালেমসিদা ঐখোয় মীওইবনা মহৌশাগী পোৎথোক কয়া কাহেন্না মাঙহনলকপা, চাওখৎলকপগী মতিক নুংঙাইনা হীংনবগীদমক ফোশিল ফ্যুলশিং মরুওইনা কয়লা, কেরোশিন, নেচরেল গ্যাস, গেসোলিননচিংবা য়ুমদা, ওফিসতা, ইন্দষ্ট্রিশিংদা অমদি হৱাগাড়ীশিংদা কা হেন্না শিজিন্নরকপদগী গ্রীন হাউস গ্যাসশিং মরুওইনা কার্বোন ডাইওক্সাইদকী চাং কাহেন্না থাদোরকপদগী গ্লোবেল ৱার্মিং থোরক্তুনা ক্লাইমেৎ চেঞ্জ ওইরকপদগী অমাংবা কয়া থোরক্লিবসি ঐখোয় ময়াম পুন্না হোৎনমিন্নদুনা ঙাকথোক্লবা তৌগদবনি।

চীংলেম্বী :- তাচৌ লম্বীসিনা মরোল অমা চীনবনে য়ুম পাক য়ৌবা য়াগদবা মান্দরেদা, ইমাগা বাবাগনা ঐখোয় য়ৌরক্তরে হাযদুনা মঙক থাঙ্গৎতুনা য়েংদুনা লৈরল্লনি কমায় তৌনি।

পারী :- করিদি উপাই লৈরি য়ৌরকান্দা য়ৌরেদনা, গাড়ী মশিংসি ওখাক য়াল্লবজাৎনিকো, লম্বীসি ফনয়াম্নদি পাকথোক্লে হায়ববু গাড়ী অমগা অমগা কৃক কৃক ইন্নদুনা থৈদোক থৈজিন তৌবফাওবা অদুমক অৱাবা ওইরি, গাড়ী মশিং হেনগৎলকপগী মতিক গ্রীন হাউস গ্যাস থাদোরকপগী চাংসু অসুমক হেনগৎলক্লিবনি (গাড়ী থৌবগী মওং)।

মোরান্বা :- অচুম্বনি মরুপ, ঐখোয় মীওইবশিং অসিসু মরম চাদনা মফম মতম চাদনা গাড়ী শিজিন্নবগী চাং অসি অসুম হেনগৎলক্লি, খোঙনা চৎপা য়াবা মফম ফাওবা গাড়ী নৎত্রবদি চৎনদরে।

চীংলেম্বী :- অদুবুদি মীপুম খুদিংমক নুংঙাইবা পান্বা ঙাক্তনি অদো দাদা মোরান্বা হৌজিক মালেমসিদা ক্লাইমেৎ চেঞ্জ ওইরকপদগী মাংহনলক্লিবা ময়ামসিগী মরমদা দাদানা ঐখোয়দা লৈরিঙৈ মতমদা খরা তাকপীরম্মুকো।

মোরান্বা :- উম তাকপীগে, হন্দক্তা ঐনা রিছার্চ পেপর অমা ফোংঙি অদুদসু ময়েক শেংনা য়াওরবনি, অদুগী পেপরদুসু ঐ নঙোন্দা পীরমগে।

পারী :- মরুপ য়ুম য়ৌদি য়ৌশিল্লক্লে, ঙসিগী ট্রাফিক জাম খুৎওইদুদা য়ুম য়ৌবা ঙল্লরোইদরা খনবু খল্লুরবনি (গাড়ী খান্বা)।

চীংলেম্বী :- য়ুম য়ৌরে, চংঙসি লাকও দাদা মোরান্বা।

-ম্যুজিক-

(মফম: খন্বগী য়ুম, মতম: অয়ুক পুং ১০মুক তারকপা মতম, টি.ভি. থাবগী মখোল)

খন্বা :- মোরান্বা নঙ য়ৌরকএদনা, লাকও লাকও চংঙকও চংঙকও।

মোরন্বা :- পাবুং খুরুমজরি, পাবুংগা ঙসি উনবা ফংজবসে হায়ফম খঙদনা নুংঙাইবা ফাওই।

শখিতোন্বী :- সে সে সোফা সিদা ঙহাক্তা মেন তানা ফম্মুসে, ইমাহোয়দি নোয় য়ৌরকমন্দবদুদা পাবু পাখৎলুরবনি, ইমানা ঙসাইনা চাক-ঈশিং থৌলাং তৌদুনা থল্লবনি নোয় হেক য়ৌরকপগা চাবা য়াননবা।

পারী :- ইমা করি করি এঙ্গাংবু থোংগে ঐখোয় মরুপ পীজনবা।

শখিতোন্বী :- নোয় বাবাগী মরুপ চাওরেলদু হৱাইজার চগেমপোন্বা য়াম্না পান্মী হায় অদুনা মোরান্বসু পান্নগদরা খন্দুনা চগেম পোল্লে, থোইদিং শুরে, উকাবী অতাওবগা পানগা থাংজিংগা ইরোলবসু য়াওরি।

চীংলেন্বী :- ঙাদি থোংদ্রবরো ইমা, ঙসাই পোরোমগা হৱাই থরাক্কা থোংনি হায়হৌদাই।

খন্বা :- হোরেল নুমিদাং ওইনা থোংলসি হায়দুনা নমাগা ঐগনা খন্নরবা অদুনা হোরেল নুমিদাং য়োংচাক শিংজু অমগা হাওনা চারসি।

মোরান্বা :- ঐখোয় বাবানা পাম্না চরন্বা এঙ্গাং মথেল খুদিংমক ঐসু য়াম্না পাম্না চাজে, ইমানা ঙসি চগেম পোন্বীরন্বসে য়াম্না নুংঙাইজরে ঐনা খ্বাইদগী পামজবা মথেলনি।

খন্বা :- লাকও লাকও ইচাসা চাক অমুক্তা হান্না চাথোক্লবা তৌখিসি অদুগা অমুক ৱারী শাসি।

চীংলেন্বী :- লাকও দাদা ঐখোয় পুল্লপ হেক্তা পুমকোয় কোয়শিনলগা স্বাইদা ময়াই কাসিদা ওইনা হেক্তা চারসি, টেবলদগা চারগুমসি।

পারী :- হোয়নে লাকও সুমাইনা ফল্লগা চাক চারক্তবগা য়াম কুইরে, ঙসিদি খোংগ্রাই ফজনা চল্লগা চাথরসি, ঐদি পুকসে হেক কায়দ্রিফাওবা চাদোইনি ঙসিদি।

শখিতোন্বী :- পারী নঙনা হেক ঙাংথোরকপসিমা, সে সে ময়াম চাবা হৌরসি।

খন্বা :- (চাক চানা চানা) ইবুংঙো মোরান্বা, ইপানা হন্দক সাইন্স জর্নেল অমদা ইচাগী রিছার্চ পেপর অমখক উখি ফজনদি পাহৌদরে, মদুবু করি মতাংদা ইবা পেপরনোনে।

মোরান্বা :- পাবুং, ঐগী পেপরদুগী মমিংদি ইভিদেন্স ওফ ক্লাইমেৎ চেঞ্জ হায়বনি, ক্লাইমেৎ চেঞ্জনা থোকহনলক্লিবা অমাংবশিংগী মরমদা নৈনবা পেপরনি।

চীংলেন্বী :- দাদা শন্নপ্না পেপরদুদা করি করি য়াওবগে হায়বদু অমুক্তা হায়বীয়ু।

মোরান্বা :- মরুওইনা ঐগী পেপরদুদা য়াওরিবসি ক্লাইমেৎ চেঞ্জনা মরম ওইরগা বাইও দাইভর্সিটি হায়বদি থৱায় পানবা কাঙলুপ মখলশিং অসিদা শোকহল্লক্লিবা, মহৈ-মরোংশিংদা নোংজুগী চাং অকায়বা ওইরকপদগী থোকহল্লক্লিবা অমাংবশিং, শাবগী চাং হেনগৎলকপদগী ঊনগী শরুকশিং চাং ৱাংনা শৌদোরকপদগী সমুদ্রগী ঈশিংগী ইমায় হেনগৎলকপদগী থোরক্লিবা অমাংবশিং, গ্রীন হাউস গ্যাস হেনগৎলক্লিবগী মরমশিং অসিনচিংবশিং অসিনি।

| | | |
|---|---|---|
| শখিতোন্বী | :- | সমুদ্রগী ঈশিংগী ইমায় অসি নোংমা নোংমগী অসুম অসুম হেনগৎলকপা তারবদি কংফালগী শরুক অয়ান্বা সমুদ্রগী ঈশিংনা থুমজিনলক্লগনিকো ইবুংঙো। |
| মোরান্বা | :- | উম অচুম্বনি ইমা, ক্লাইমেৎ চেঞ্জনা মরম ওইরগা 'মেলোমিস' হায়রিবা অষ্ট্রেলিয়াগী গ্রেট বেরিয়র রিফকী শরুকশিংদা ফংবা ঊচি মখল অসি হৌজিক মালেমসিদগী খোঙ্গুল মুৎখরে। |
| পারী | :- | মেলোমিস হায়বা ! ঐদি হায়রিবা ঊচি মখল অসি ঙসিখক্তং মমীং তারিবসিনি, ওহ ! মালেমসিদগী মাংখ্রবকো (নুংঙাইতনা শোনবা)। |
| মোরান্বা | :- | সমুদ্রগী ঈশিং ইমায় ৱাংখৎলকপদগী সমুদ্র খোংবালগী লৈঙোই মনুংদা হুৎলগা ময়ুম শাদুনা লৈজরন্বা মেলোমিস হায়রিবা খোম থক্কুনা হীংবা জীব মখল অসিগী লৈফম পুম্নমক মাংহনবীরকপদগী লৈফম লৈতবদগী হৌজিক্তি শা মখল অসি মালেমসিদগী পুংমুৎ মুৎখরে হায়না লাওথোকখরে। মসিনা ক্লাইমেৎ চেঞ্জনা মরম ওইরগা মাঙহনখিবা ইহান হানবা 'মেমল' নি। |
| চীংলেন্বী | :- | 'মেলোমিস' হায়রিবা জীবা অসিখক নৎতনা মালেমসিদগী জীবা পুম্নমক মথং-মথং অসুম-অসুম মাঙখিবা য়াবগী মরমসু ওইরকপা য়ারিবনি, ক্লাইমেৎ চেঞ্জ ওইরকপসিনা। |
| খন্বা | :- | হৌজিক্তগী ঐখোয় মীওইবা খুদিংমক্লা পুন্দুনা ক্লাইমেৎ চেঞ্জ অসিদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনহৌদ্রবদি থৱায় পানবা পুম্নমক মালেমসিদগী মুৎখিগদৌরিবনি। |
| মোরান্বা | :- | সমুদ্র মপালগী লমশিং অসিদা পান্বী মখল কয়া, শা-ঙা মখল কয়াগী লৈফম ওইরিবনি, সমুদ্র মপালগী লমশিং অসি ঈশিংনা থুমজিনখিবা তারবদি পান্বী অমদি শাশিং লৈফম লৈরক্তবা তাবনি। ইং ২০০৭ ফাওবদা মালেমগী অপুনবা মীশিংগী চাদা ৬০রোম হায়বদি মীওই মিলিয়ন ৫০রোম সমুদ্রগী খোঙবান্দগী কিলোমিটর ১০০ রোমগী মনুংদা খুন্দা লৈতাদুনা লৈরে। |
| শখিতোন্বী | :- | ইবুংঙো মোরান্বা অইং-অশাগী খল কাইরকপদগী সমুদ্র ঈশিংগী ঈমায় অসি অসুম অসুম হেনগৎলক্লবদি মীওই মিলিয়ন ৫০রোমগী লৈফম চাফম লৈরক্লোইদৌরিবনিনে হায়রিবসিনদি। |
| মোরান্বা | :- | অচুম্বনি ইমা, চহি চা অনিরোমগী মমাংদগী ইন্দষ্ট্রিয়েল রিভোলুসন লাকঙৈদগী ফোশিল ফ্যুল শিংজিন্নবগী চাং খঙহেন হেনগৎলকপা অমদি উমং-ৱামং কোকথোক্লকপগী চাং য়াম্না ৱাংখৎলকপা মরম ময়ামসিদগী গ্রীন হাউস গ্যাসশিং কার্বোনডাইওক্সাইদ, মিথেননচিংবগী চাং অসি এটমোস্ফিয়ারদা খঙহেন হেনগৎলকপদগী মালেমগী শাবগী চাং অসি অসুম অসুম হেনগৎলক্লিবনি অমদি নোংজুগী চাংদা অকায়বা অহোংবা থোকহনলক্লিবনি। |

পারী :- পুন্নমকসি ঐখোয় মীওইবনা থোকহল্লিবা ঙাক্তনি, ঙহাক্কী নুংঙাইরগা লোইরে খনবা তুঙদা করি ওইরক্কদগে খন্থদবা মীওইবনি।

মোরাম্বা :- ইন্দষ্ট্রিগী য়াওল লাকত্রিঙৈগী মমাং চহি ১০,০০০ রোমগী মমাংদা পৃথিবীগী এটমোস্ফিয়ার অসিদা কার্বোন ডাইওক্সাইদ য়াওবগী চাং অসি পার্তস পর মিলিয়ন ২৮০ রোম ওইরম্বদু হৌজিক্তি ৩৯৫ পিপিএম য়ৌরে। অদুনা হৌজিক্কী সেঞ্চুরি অসিনা লোইরকপা অদুৱাইদদি হৌজিক শারিবা চাং অসিদগী সেলসিয়স ডিগ্রী ০.৬ তগীনা ০.৯ রোমগী চাং য়ৌনা হেনগৎলগনি হায়না পানরি।

চীংলেম্বী :- দাদা মোরাম্বা, গ্রীনলেন্দগী ঊনগী শরুক শৌদোরকপগী চাং অসি য়াম্না হেনগৎলক্লি, ইং ১৯৯৩দগীনা ইং ২০০৩ ফাওবদা ঊন শৌদোরকপগী চাং অসি বিলিয়ন টন ৫০দগীনা ১০০রোমগী চাং য়ৌনা শৌদোক্লে অদুগা ঊন শৌদোরকপগী চাং অসি অসুম অসুম ৱাংখৎলক্লি হায়রিবসি অচুম্বরা?

মোরাম্বা :- উম অচুম্বনি, ইং ১৯৭৯দগী গ্রীনলেন্দগী ঊন শৌদোরকপদগী চাং অসি সেটিলাইটকী মতেংনা খঙবা ঙল্লে।

খম্বা :- মারেমগী মনুংদা অষ্ট্রেলিয়াগী গ্রেট বেরিয়র রিফ অসিদা বাইও ডাইবর্সিটিগী চাং য়াম্না ৱাংনা লৈ হায়রিবসিসু চুম্বরা ইবুংঙো।

মোরাম্বা :- চুম্মী পাবুং, হায়রিবা গ্রেট বেরিয়র রিফ অসিদা ঙা মখল ১৫০০ রোম হেন্না অমদি কোরেল মখল ৪০০ রোম হেন্না ফংঙি। হৌখিবা চহি ৫০ রোমসিদা হায়রিবা মশিং অসিগী চাদা ৫০ রোমগী চাং হন্থখরে। পুন্নমকসি সমুদ্রগী ঈশিংদা এসিদকী শরুক চাং ৱাংখৎলকপদগীনি।

শখিতোম্বী :- ইবুংঙো ক্লাইমেৎ চেঞ্জনা ঐখোয় মীওইবা অমদি থৱায় পানবা খুদিংমক্তা য়াম্না অমাং-অতা থোকহনবজাৎনিকো।

মোরাম্বা :- অহোয় ইমা, ইং ২০০৯দা নোং লিক্লা তাবদগী ঐখোয়গী লৈবাকসিদা লৌউ শিংউবগী পোৎথোক চাদা ২০ রোম হন্থহনখি অসিদসু নৎতনা হায়রিবা চহি ২০০৯ অসিদা লৈবাক্কী মফম খরদনা ইকং থোকপা খরদনা অমুক ইচাও থোক্তুনা মহৈ-মরোং, হৱাই-চেংৱাই, চীনি, তিলহৌ, আলুনচিংবগী মমল অঙকপা ফংনা ৱাংখি, পুন্নমকশিং অসি ক্লাইমেৎ চেঞ্জনা ওইহল্লকপা ঙাক্তনি।

চীঙলেম্বী :- দাদা মোরাম্বসে ঐখোয় ময়াম্না ৱা পংহংদা হংজিনবসিদা চাক চাফমগা অমতা খঙলল্লরোই, চাকপু ওকঅবো, করি হাপকখোগে।

মোরাম্বা :- য়ারে, লোয়না ওক্লে, ঙসিদি ৱারী শানা শানা চাকসিসু য়াম চাশিনখরে, ইমানা পীজবা ঙসিগী মথেলশিংসিসু ওন্থোক্লা হাওখরে।

পারী :- লাকও মরুপ খুৎশা হামদোক্লুরসি অদুগা ঙহাক পোত্থারুরসি।

খন্বা :- হয়েং অয়ুক ঙন্তা ইচা মোরান্বা পুরগা কদাই কদাইদনো কোইবা য়াবা মফম খরা কোইরুরসি, লমীৎ-তুমীৎ খঙহনবা ওইনা, ফরে ফরে নোয়সু নোয়না তৌগদবা নথৌশিং তৌনরুরো, ইপাসু ঙহাক শৈরেং ওরাইগে শৈরেং শৈদিন্নবা চৎননবা।

-ম্যুজিক-

(মফম: উমং, মতম: অয়ুক, নুংশিবা উচেক ৰায়ানা খোংবগী মখোল)

খন্বা :- হে মহৌশা লাইরেন্বী, নীংথিবা পুন্বগী তুংনফম ফজবা পুন্বগী হৌরকফম, মীয়োক মীচান ফজবী, হাদা পলেমও নুংশিবী, ... (মতোমতা হায়জবা)

শখিতোন্বী : অঙাংশা লাকওনে, শোমদা হৈবোং পান্বী অচৌবা অমা হৌরিবসিগী মখোঙদা নোয়গী ফিদাগদু থাররো লাকওনে ঙহাক ফমখিসি পোত্থাবা ওইনা, ইমাদি স্বরগা লোইনা তৎতোরে, চীং লন্বী মতেকসি কারকপসিদা (স্বর থবেৎ থবেৎ হোনবা)।

চীংলেন্বী :- সে ইমা সিদা ঙহাক ফমথরোসে ঈশিংসি খরা থকচিল্লু, ঐনা লাক্কনু ৰানি হায়বদু য়ারল্লদি ফদৌবা।

শখিতোন্বী :- সুমাইনা চীং কাবসি ৰাগনি খংলল্লবদি লাকচরল্লোইদবনি, কনানা খংনি ঐসু নোয় ময়াম উমং য়েংবা চৎকনি হায়বদুদা লাকনিংদুনা লাক্লিবনিদনা।

চীংলেন্বী :- দাদা মোরান্বা... তাচৌ সোমদা লাকও, ইমাগা ঐগা হৈবোং মখোংসিদা ফমদুনা লৈরে (কৌবা)।

পারী :- লাকঅগে লাকঅগে মোরন্বগা ঐগা স্বাইদা হৌরিবা পান্বীশিং অসিগী ফোটো কাপ্পীয়ে।

মোরান্বা :- লাকও পারী সিদগী তাইরেল পান্বীসিগী মখোঙদা অমুক্তা চঙলুসি লাকও, সে নঙ ফোটো নল্লকউ, ঐ স্বাইদা লেপকে।

পারী :- সে পোজ ফজনা তৌ, নল্লগেকো য়ারবো রেদি...।

মোরন্বা :- এ ! সিদা লাইশঙ অমা লৈরিসিবু... সিদা থারিসিনা করি... ‘চোথে থায়াই পাখঙবা’ ...।

পারী :- কৈদৌরে মোরান্বা লাকওদনা, তুমীন উংদুনা লৈরিদুবো, আদা ইমাগা চীংলেন্বীগা ফমদুনা লৈরিসিগী মনাক্তা চৎসি লাকও।

মোরান্বা :- উম চৎসি, ঐখোয়গী ইপা ইপুশিংসে য়াম্নদি লৌশিং লৈরম্বজাৎনিকো (চৎনা চৎনা ঙাংবা)।

পারী :- কৈদৌরগে, কমাইননো নঙনা ঐখোয়গী ইপা-ইপুশিং লৌশিং লৈ হায়রিদুবো।

মোরান্বা :- উমংগী মফমশিং অসিবু কন্নবগীদমক মখোয়না উমংগী মফমশিং অসিদা উমং লাই কয়াগী লাইশঙ থমদুনা মসিগী অকোয়বদা হৌরিবা উপান্বীশিং অসি হেকপা য়াদে, য়ান্থৎপা য়াদে লাইরেম্বা-লাইরেম্বীশিংগী কাইদোংফমনি, লাইফমনি হায়দুনা ঙাক শেন্দুনা কন্দুনা থম্বীরম্লিবসি বাইও ডাইবর্সিটি য়োকখৎলিবনি, মসিনা তুংগী মরোলশিংদা কান্নবা কয়া পীরিবনি।

শখিতোম্বী :- ইচাশা লাকওনে, ফ্লাস্কতা চা অশাবা য়াওরিবসি হৈরগা থক্লুরোলাওনে, নচলনুপীগা ঐগদি নোয় ঙায়না ঙায়না থক্তোক্লে, তল ফোং ফোং শাবগা কোবী শাক্সু হোট কেসতা য়াওরিবনি, চারো চারো।

চীংলেম্বী :- ঐখোয় বাবাদি কদোমদা লৈহৌরগে লাকত্রিসিবো।

শখিতোম্বী :- হায়মা ঐদি নপা য়াওরকইগা অমতা নীংশিংলুদরেদনা, উম তৌরম্লনি নোয় নপাগী হৌনবী...।

মোরান্বা :- কৈনো ইমানা হায়রিদুবো, পাবুংবু করি তৌরম্লনি হায়রিনো।

শখিতোম্বী :- হেরা নোয় নপাদি উখোং-ৱাখোং অমতা উবা য়াদবনি, বোয় কলম পায়দুনা শৈরেং ইরিবনি হায়দুনা ফমদুনা লৈথোক্লম্লনি মফম অমদা হেক্তা।

পারী :- স্বাইসিদি চীংনুংনি মী কয়া তাদবা মফমনি ঐখোয় পাবাদুবু কদাইৱাইদনোনে (পাখৎপা)... বাবা ... হো বাবা... কদোমদনো বাবানা লৈরিদুবো... বাবা ...।

খম্বা :- (শৈরেং থি থিদুনা লাকপা) হাদা পলেমও নুংশিবী, লাইবক থীবী পলেমও, নপারি নমোম নাওয়োক নাওকোন্নবা হোৎনবদা, কুচু কুমেন ওল্লবী, শকফম কাইরবী পলেমও, হাদা পলেম লাইবক থীবী... ।

শখিতোম্বী :- (খঙলাও লাওবা) কৈনো মোয়বাবানা তৌরিদুবো ঙাওরবরো, ঙাওরবরো হায়বা।

খম্বা :- ঐনা কৈদৌরগে, মফমসিবু উরুবদা ঐগী পুক্নিংদা ফাওরকপা ৱাখলশিংদু শৈরেং ওইনা থীবনি।

মোরান্বা :- পাবুংনা ঙসি মালেমসিদা ওইরক্লিবা ক্লাইমেৎ চেঞ্জনা মরম ওইরগা অৱা-চৈথেং কয়া ঐখোয়না মায়য়োক্নরক্লিবশিং অসি শৈরেং-ৱারেং ওইনা খরা ইথোকপিদুনা ময়ামদসু খরা খঙহনবীবদা মতেং পাংবীয়ু।

খম্বা :- হা মদুনা ফরদরা ! (ময়াম পুল্লপ নোকপা)।

-ম্যুজিক-